# মেরি কোম অমসুং মনিশ কৌশিক বোসম টুর্নামেন্টতা অশোনবা বোক্সরগা মায়োক্লগদৌরি





ন্যু দেল্লী, মার্চ০২(এজেন্সী):

স্পেনগী সিটি কাষ্টেলোনদা ঙরাংদগী হৌখিবা বোসম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোম অমসুং নুপাগী অতোপ্পা বোক্সর মনিশ কৌশিক অহানবা রাউন্দদা অশোনবা লম্বাশিংগা মায়োক্লগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, এম সী মেরি কোম অমসুং মনিশ কৌশিক শোকপনা মরম ওইরদুনা হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং বোক্সিং টুর্নামেন্টকী মতুংদা হন্দক স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপা অসিনা অহানবা ওইরি।

ঙসি অথেংবদা মনিশ কৌশিকনা কিলোগ্রাম ৬৩গী নুপাগী লাইট ৱেল্টরৱেটকী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু স্পেনগী বোক্সর রাদোনে অমারিগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী কিলোগ্রাম ৫১গী ফ্লাইৱেট কেটগোরিদা ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউটতা ইটালিগী বোক্সর জিওর্দানা সোরেন্টিনোগা হয়েং লম্বা তৌরগনি।

নুপাগী বোক্সরশিংগী মনুংদা কমনৱেল্থ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মহমদ হুসামুদ্দিননা ঙসি অথেংবদা কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগোরিদা স্পেনগী বোক্সর জোন মেন্যুএল টোরেজকা লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ১২না ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজদা শান্নবা হৌগদৌরিবনি। মসিদা মেরি কোম য়াওনা নুপাগীদা অমিট পনঘল, বিকাশ কৃষ্ণন অমদি সটিশ কুমারসু ক্বার্টর ফাইনেলগী ষ্টেজদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী মনিকা বট্রা অমসুং হর্মিট দেসাই ক্বালিফাই ওইখিদ্রে

দোহা, মার্চ ০২(এজেন্সী):

কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস কন্টেন্দরগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় মনিকা বট্রা অমসুং নুপাগী শান্নরোয় হর্মিট দেসাই ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মায়থীদুনা মেয়েন রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

দোহাগী লুসেল মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকপা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেটচতা মমাংগী মেটচ অহুম মায় পাক্লক্লবা মনিকা বট্রা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় গানা গাপোনোভাগা লম্বা তৌনবদা গেম ১-৩দা মায়থীবা নংখি। অহানবা গেম অনী য়ুক্রেনগী শান্নরোয় গানা গাপোনোভানা ১১-৫, ১১-৬তা থোইখি। অদুগা অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী মনিকা বট্রানা য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় গাপোনোভাবু ১৪-১২দা থোইরগা মেয়েন রাউন্দ য়ৌনবগীদমক্তা মেটচ অদু মায় পাক্লবা হোৎনখি।

গেম ১-২দা শোথদুনা লৈরিবা মনিকা বট্রাবু য়ুক্রেনগী গানা গাপোনোভানা ক্বালিফায়িংগী ৪শুবা রাউন্দ অদুগী মরিশুবা গেমদা য়াম্না হেনবা মওংদা হীরম খূদিংমক্তা ফজবা হেল্লকপদগী ১১-৫দা থোইরগা ৪শুবা রাউন্দ অদু ৩-১দা থোইখিবদগী মনিকা বট্রা মেয়েন রাউন্দদা শান্নবা ঙম্লরোই।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭৩ হর্মিট দেসাইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িংগী ৩শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর সিবেভকা লম্বা তৌনবদা অহৌবা গেম অনী মায় পাক্লম্লবসু মখা তারকপা গেম ৩ মায়থীবদগী মেয়েন টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখিদ্রে।

হর্মিট দেসাইনা অহানবা অমদি অনীশুবা গেম অদু রসিয়াগী অলেকজেন্দর সিবেভপু ১১-৯, ১১-৭তা থোইখি। অদুবু মখা তারকপা গেম অহুম অদু অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং রসিয়াগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর সিবেভনা থংন-থংননা ১১-৯, ১১-৮, ১১-২দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ অদুগী মেয়েন টুর্নামেন্টতা হর্মিট দেসাই ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় সরাথ কমাল অমসুং সাথিয়ান গনাসেখরন নুপাগী সিঙ্গলসকী মেয়েন দ্রোদা দাইরেক্ট এন্ট্রি ফংদুনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম জর্মনিগী টিমগী মখূৎতা ৩শুবা মেটচ মায়থীখ্রে




দুসেলদোর্ফ, মার্চ০২(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা য়ুরোপিয়ন টুরগী মনুং চন্না জর্মনিগা শান্নবা অহুম্লকশুবা মেটচ অদুসু মায়থীবা নংখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা জর্মনিগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিগা মেটচ ৪গী ওইবা সেরিজ অমা শান্নবগী সেদ্যুল্ড লৈখিবনি। ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী ওইরিবা জর্মনিগী হোক্কী টিম অদুনা ইন্দিয়াগা মমাংদা শান্নখিবা হোক্কী মেটচ অনী থোইবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অহুম্লকশুবা মেটচ অদুসু জর্মনিগী টিম অদুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী দিফেন্সিভ ওইবা মওংদা ফনা কন্না শান্নবা ঙম্লবসু পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙমখিবা জর্মনিগী শান্নরোয়শিং অদুগা লম্বা তৌনবদা অহোবা মফম কয়া য়াওরকপদগী পাঞ্জল ২ চনশিনবা ঙমদুনা জর্মনিনা মেটচ অদু থোইখিবনি।

অহুমশুবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না লেং মান্ননা থেংনরকপদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা জর্মনিগী মায়কৈদগী সোঞ্জা জিম্মরমাননা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ময়াই চনশিল্লকপা মেটচকী অনীশুবা ক্বার্টর লোইরমদাইদা জর্মনিগী ফ্রানজিস্কা হোকনা ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ইন্দিয়াবু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থানা চৎখিবা অদু মেটচ লোইবা ফাওবা লেংদনা থমখিবদগী মায় পাকখি। মরিশুবা মেটচশগোলশেন নুমীৎতা শান্নগনি।

# য়াইসা এফ সীনা ইমা এফ সীবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা য়াইসা এফ সীনা ইমা এফ সী থোংজাওবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

শান্নবগী অপীবা মতমদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবা মরম্না পেনাল্টি শুট আউট তৌনখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা পাঞ্জল চন্নখিদবদগী পেনাল্টি কিক কাওনবা অদুদা য়াইসা এফ সীনা ইমা এফ সী থোংজাওবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।




টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৫দা লমজিংবা এফ সী কৈরক অমদি লমজাও এফ সীগী টিমনা লম্বা তৌনরগনি।

# কাং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

অহুম্লকশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিয়ল কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২১ শীংজমৈ কাংখূৎনা শীন্দুনা শীংজমৈ কাংশঙদা থা অসিগী ১৪দগী হৌরগনি হায়না শীংজমৈ কাংখূৎকী সেক্রেটরি সিনাম শরতনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। অহুম্লকশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিয়ল কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কাংখূৎশিংনা থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা শীংজমৈ কাংখূৎতা পাউ ফাওনবগীদমক্তা ৱারোল থম্লক্লি। টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ৬০গী শান্নরোয় ৪, চহী ৫৫গী শান্নরোয় ২ অদুগা ওপনগী শান্নরোয় ১না ফোর্মেট ওইগনি হায়রি।

# অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমনা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ভিলেজ কম্ম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী) য়াইরিপোক বামোন লৈকাইনা শীন্দুনা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক বামোন লৈকাই তুরেল মপানগী শান্নবুংদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমনা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ৫শুবা মেটচতা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এম দি রিয়াসদনা মেটচকী ৩শুবা মিনটতা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা চল্লগা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এম দি রিয়াসদনা মখা তানা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী অহানবা হাফ লোইরমদাই ২০শুবা মিনটতা মেটচ অদুদা ফজবা হেনখিবা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী মখা তারকপা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ১১ এম দি বাবুরনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা অহানবা হাফ অদু ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ পাঞ্জল ৩ শোথরবা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওগী জর্সি নম্বর ১০ নিসারনা পাঞ্জল অমা চল্লগা শোথখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। মেটচকী মখা তারকপা লেমহৌবা মতম অদুদা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়গী গোললাইনদা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদুনীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল অহেনবা চলহনখিদবদগী মেটচ অদু অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমনা ৩-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নগদবা ৬শুবা মেটচতা টি টি এফ সী সিংঙা অমদি ঙারিয়ান লম্বা তৌনগদবা অদুদা ঙারিয়ানগী টিম লাক্তবদগী টি টি এফ সী সিংঙানা ৱাকওভর ফংদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক শেম শাখি।

# এন এ এস এনা এফ সী এম আর কেবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা পি ঐচ ইরাবত মেমোরিয়ল সিনিয়র বি ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচতা এন এ এস এনা এফ সী এম আর কেবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৫শুবা মিনটতা এন এ এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ সদানন্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী মখা চথুরকপা ২০শুবা মেটচতা এন এ এস এগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সদানন্দনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্লগা এফ সী এম আর কেবু পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ অদুদা এফ সী এম আর কেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল চনবা য়াবা এটেক য়াওখিদবদগী খূদোংচাবা ফংখিদে। নাকল অমরোমদা, এন এ এস এগী মায়কৈদগী মখোয়না মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা পাঞ্জল ২ অদুগী মথক্তা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা খূদোংচাবা খূদিংমক লৌদুনা শান্নখি। অদুবু মেটচকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা মেটচ অদু মখোয়না এফ সী এম আর কেবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

# মেটচ ২ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনী দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১২শুবা মেটচ অদুদা জি দি সী থিনুঙ্গৈ অমসুং এস দব্লিয়ু সী ইশোক লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

১৩শুবা মেটচতা এস য়ু এফ এম লৈমপোকপম অমসুং ও এস এ ওইনামগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনখিবদা পাঙ্গল মান্নবদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী শান্নরোয় ২ রেফরিনা য়েল্লো কার্দ পীখি।

# এন সী ৱাই দব্লিয়ু অমসুং টি ৱাই দি এ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও অমসুং টি ৱাই দি এ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২০ হেল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক লেং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চন্নদনা লাকখি। ২৯শুবা মিনটতা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ অমুজাওনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী লেমহৌবা অহানবা হাফ অদুদা অতোপ্পা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওবু ১-০দা হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী শান্নরকপা অদুদা টি ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা ফজবা হেনবা ঙমখি। অদুবু পাঞ্জল অমা শোথরিবা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী শান্নরোয়শিংনা কাউন্টর এটেককী খূথাংদা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টি ৱাই দি এগী দিফেন্দরদগী শোয়বদগী থকচিঞ্জখিবা বোলনা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী ইক্বেলাইজর অদু ওইখি। পাঞ্জল অদু টি ৱাই দি এগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ২২ মাইকেলনা শোয়বদগী চলহনখিবনি। মেটচকী মখা তারকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ১-১দা দ্রো চৎখি।

# এল ৱাই সী সীবু আর এ য়ুনা ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা শৈখ বাবুমচা মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌবা অহানবা অম্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই সী সীবু আর এ য়ুনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, শিমরোপিয়া অমসুং অমোফা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেটচতা এল ৱাই সী সী অমসুং আর এ য়ু লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ৯শুবা মিনটতা আর এ য়ুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ১৫ জংজাগিন কুকিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এল ৱাই সী সীবু মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা এল ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু আর এ য়ুনা মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা আর এ য়ুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা অহেনবা এটেকশিং অদু এল ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা শান্নখি। অমরোমদা, পাঞ্জল শোথরবা এল ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা পুখৎলকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখ্রবসু আর এ য়ুগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহন্দনা লৈহনখি।

শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা আর এ য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ এন জোর্জনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না এল ৱাই সী সীবু ২-০দা থোইখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা শিমরোপিয়া অমসুং অমোফা লম্বা তৌনখি। মেটচকী ১৪শুবা মিনটতা শিমরোপিয়াগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২২ খুপিনলুননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেটচকী লেমহৌবা অহানবা হাফকী মতম অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী অমোফাবু মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা অমোফাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৫ ঐচ সামসননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS

| Class - Timing | |
|---|---|
| Morning 6am - 9am | Evening 3pm - 7pm |

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM
HL-B/6801/20/2-21/3

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh, Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
5 months Regular (Offline) NEET - 2021 Target Course
Class Commencement : 4th March, 2021
Class timing : 6:30 A.M. to 10.00 A.M.
Facilities :
✓5 Full Length Test series
✓15 Unit Test (Sunday) Series
✓Explanatory Key Notes for each Test
Lodging for Boys & Girls :
N.B: Best Opportunities for NEET - 2021 Aspirants
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-P/9066/26,27,28/2,1/3
HL-B/6795/21/2-7/3

ALL MART
AN ONLINE SHOPPING MART
ALL MART
Uripok Brahmapur, Opp. Cheirap Court.
WE ARE HIRING

| SL.NO. | POST | VACANCY | EDU. QFN. | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Manager | 1 | Graduate | Starting Rs. 12000/- |
| 2. | Assistant Manager | 2 | Graduate | Starting Rs. 9000/- |
| 3. | Office Assistant | 10 | 10th Pass | Starting Rs. 6000/- |

The above post are for Thoubal Branch, Bishnupur Branch, Moirang Branch Kakching Branch, Mayang Imphal branch, Imphal East, Imphal West, Wabagai, Sugunu, Sekmai Branch.
*Terms & Condition apply.
Last Date of Form Submission : 08/03/2021
PLIZ CONTACT FOR DETAILS :- 6009683820/7005133258/7085198809

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com